## ময়াংলাংজিংদা দ্রাইভ চথুদুনা য়ুঙৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াংলাংজিং তমাং অৱাং লৈকায়দা ময়াংলাংজিং শেমগৎ-শাগৎ অপূনবা নুপী লূপ, ময়াংলাংজিং য়ুথ লাইব্রেরী ক্লব অমদি কাদাগী থৌমীশিংনা পুন্না চথবা দ্রাইভদা য়ুঙৌ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং মফম অদুমক্তদা মীয়াম মমাঙদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখি। মণিপুর লৈঙাক্লা ৱার এগেনষ্ট অলকোহোল হায়বা কেম্পেয়ন অমা লাউথোক্তুনা দ্রাইভ চথুরবসু মফম খরা নত্তনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা য়ু মরাং কায়না ফংলিবা অসি করিদগী ফংলিবনো হায়বসি থিগৎতুনা য়ু মপুং ফানা থিংনবা পুকচেল শেংনা হোৎনফম থোকই। য়ুগী মায়োক্তা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা কেম্পেয়ন অসিগী ৱাহন্থোক লৈহনবা চুমগনি। অদুদি নত্তনা মীয়ামদা উৎ চাইবা, ঙাইহাক্কী ওইবা মীয়ামগী পূক্নিং ফাথবা য়ানবা থৌরাং ওইরবদি লাইবক থীবনি।

লৈঙাক্লা লমদম অসিদা য়ু শুংবা পান্নবদগী মমিংতগী ওইনা য়ুগী মায়োক্তা কেম্পেয়ন লাউথোক্লগা য়ু থিংবা ঙমদ্রে হায়বা উৎপা য়ানবা অমসুং য়ু থিংবা ঙমদ্রবনিনা য়ু লিগেলাইজেসন তৌদুনা য়ু শুংহল্লসি হায়বা ৱাফম অমা পুথোকপা য়াননবা লৈঙাক অসিগী অরোনবা থৌরাং ওইরমগদ্রা হায়বসি মীয়ামগী চিংনবনি অমদি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোলনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ময়াংলাংজিং তমাং অৱাং লৈকায়দা ময়াংলাংজিং শেমগৎ-শাগৎপা অপূনবা নুপী লূপ, ময়াংলাংজিং য়ুথ লাইব্রেরী ক্লব অমদি কাদাগী থৌমীশিং পুন্দুনা য়ুঙৌ ফাগৎপগী দ্রাইভ চথুখিবনি। দ্রাইভ অদুদা মীওই অহুমদগী য়ুঙৌশিং ফাগৎলকখিবনি। ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মমাঙদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখিবনি। লমদমসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা লেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াংলাংজিং তমাং অৱাং লৈকায়দসু ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা য়ুঙৌ ফাগৎপগী দ্রাইভ অদু চথুবনি হায়নসু মখা তারি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): মতম-মতমগী লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌশিংদা অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক) না মতম শাংনা শরুক য়াদুনা লাক্লম্বা অমদি হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ইস্যু অসিদসু শরুক য়াবা ওইনা মাঙজৌননা ঈশৈ-নোংমাই লেপ্লম্বা অসিমক থাগৎলি হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)কী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মমাঙদা কে কে এলনা থাদোকপা প্রেস নোট অদু অম্মিকপু শৌগৎপা ওইনা থোকখিবনি। মখা তারকপা ওইনা লৈবাক্কী ওইবা চিরবা তাঞ্জা অসিদা লগাও খাওবা, হাওসি শান্নবা, থাবল চোংবনচিংবা তৌবীগনু। হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ইস্যু অসি য়েংলগা ঈশৈ-নোংমাইগী থবকশিং লেপ্লম্বা অসিগীদমক কংলৈপাক কনবা লূপকী মায়কৈদগী অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপপু থম্মোয় শেংনা থাগৎলি। মতম-মতমগী ওইবা লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ কয়াদসু অম্মিক্না শরুক য়াবা অসিগীদমকসু থাগৎলি হায়নসু কংলৈপাক কনবা লূপকী সেক্রেটরি জেনরেলগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২০ গীদমক এক্সটর্নেল/সপ্লিমেন্টরি কেন্দিদেটশিংগী পার্মিসন ফোর্ম সবমিট তৌবগী মতম নবেম্বর ১৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী কন্ট্রোল ওফ এগজামিনেসন কে টিকেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.

## লৌমীশিংগী ইনকম দবল লাকহন্নবা হোৎনবদা শিনফমসিদা কথোক্তুনা হোৎনবা চঙই : প্রেমজিৎ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহনবা হায়বসি দিপার্টমেন্ট খত্তংনা লাউবনা য়ারোই। লৌমীশিংনা হকথেংননা মশাগী শিনফমদা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা চঙই হায়না সী এ য়ু লম্ফেলপাৎকী ভাইস চ্যেরমেন ডা. এম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।



সী এ য়ু লম্ফেলপাৎনা মণিপুরগী লৌমী কয়াদা চাথোক হেন্না পুথোক্লবা চথুরকপা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী মখা চথুরকপা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তেরাখোংশাংবী লৈমরামদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা ৱা ঙাংলদুনা ডা. এম প্রেমজিৎনা হায়খি, লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লৌমীশিংদা মতমগা চুনবা লৌউ মওংশিং খঙহনবা তাই। লৌমীশিংনসু কথোকপগা লোয়ননা শিনফম অসিদা হোৎনবা চঙই। পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা পোথোকশিং মরাং কায়না পুথোকপা অমদি মতমগা চুনবা লৌউ পথাপ কয়া শীজিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইম্পোর্টেন্স ওফ ক্বালিটি সীদ প্রদক্সন এন্দ পোপ্যুলরাইজেসন/প্রোপেগেসন ওফ গুইভা ফার্মিং হায়বা হিরমদা দিরেক্টোরেট ওফ রিছার্স সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফাল অমদি লৌমী লূপ মোইরাং অনীনা শীন্দুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম কম ইন্টরেক্সন অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা সী এ য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এম প্রেমজিৎ, দেপ্যুটি দিরেক্টর ওফ রিছার্স সী এ য়ু ইম্ফাল ডা. টি ঐচ রোবিন্দ্রো, সী এ য়ু ইম্ফালগী রেজিষ্ট্রার ডা. কে মমোচা অমদি তেরাখোংশাংবী ত্রোংলাওবী জি পিগী প্রধান এল বসন্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লৈমরাম ইবুধৌ লোয়ালাকপা লাইশঙগী অকোয়বদা পুংদোন চারা কয়া থাখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংদা মহাও লৈবা পুংদোন চারা ১৫০ অমদি চুপ্ত্রে চারা ৫০ য়েন্থোকখি। তীল হিদাক কাপথোক্লবা পম্প সেট মঙা অমদি অতৈ মরু-মরাং কয়াসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিনা কনফ্লিক্ট ৱিদোশিং নিংঙোল চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি এম জি এভেন্যুদা লৈবা আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী কমপ্লেক্সতা কনফ্লিক্ট ৱিদো ৩০ চাক্কৌখ্রে।

চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়খি, নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী য়াম্না মরুওইবা অমনি। নুমীৎ অসিদা মবুং-মৌপ্পাশিং অমদি মচে-মচলশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী লীপুন থম্বা মরুওইবা অমনি। রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা মঙারকশুবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি। খুন্নাই অসিদা অহল-লমন ওইরবা ময়াম্না ঙসিগী মীরোলগা শম্নবা ঙম্লক্ত্রিবসি করিগীনো। পোকমিন্নবা ইচে-ইচলশিং নুংশিবগী চাং ৱাৎশিল্লকপা অসি ঙসি খুন্নাই অসিদা হৌখিবা চহী খরসিদা চাউনা উবা ফংই। ওল্দ এজ হোম লিংখৎলক্লিবা করিগীনো। মসিনা ঐখোয়দা পাউখোং অমা চল্লি। পাউখোং অদু ফোংনবগীদমক রেদ ক্রোস সোসাইটিদা অসিগুম্বা থৌরম অসিসু শরুক অমনি।

ঙসিগী থৌরম অসিসু য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমনি। মণিপুর খুন্নাইগীদমক, তুংগী মীরোলগীদমক নখোয় অসি লাইবক্তা থম্বাল শাৎলবনি। নখোয় নথৌনা লৈবীনি। মাঙদা চৎকদবনি। মতিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইহনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখিবদা, মৈতৈগী পুয়াদা হায়বগী মতুংইন্না নোংদা লাইরেন পাখংবনা লৈস্না লৌরবা মতুংদা লৈস্নানা মহাক্কী মবুং পোইরৈতোনবু চাক কৌখি হায়। অসুম চৎনরকপদগী চন্দ্রকৃতি মহারাজগী মতমদা নিংঙোলনা পিবা কৌবগী চৎনবী অসি অমুক হৌরকখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই মোহেননা ফোঙদোকখিবদা, প্রোজেক্ট অমনা ওইনা অশাগী মঙাল অসি পাঙথোরকপনি। হিংবদা মতেং খরদা ওইরবসু পাংনবা চথুরকপনি। কুমজা ২০১৭ তগী বেনিফিসরিশিং তাঙ্কক নাইনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৫০ পীখ্রবা মতুংদা ৯২ অমসু হৌজিক সিলেক্সন তৌখ্রে। নবেম্বর ১৯ দা মণিপুরগী গভর্ণরনা য়েন্থোক্কনি। হন্দক চহীগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০/৫০ গী মেটরিয়ল কম্পোনেন্ট পীগনি। মসি শিঙ্গৎলরোইদবনি। মখোয়বু শেন্থোক লম্বী খরদা ওইরবসু লৈহন্নবা মতেং পাংবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। চাক্কৌবা অদুগা মরী লৈননা অচম্বা খুদোলসু পীখি।

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কনফ্লিক্ট ৱিদো ৩০ নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা সোসাইটি অসিগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়া শরুক য়াখি। নিংঙোলশিং অদুগা সোসাইটি অসিগী থৌ পুবশিংগা মবুং-মৌপ্পা অমদি মচে-মচল ওইবগী ৱারী কয়া শানখি। নিংঙোল চাক্কৌবগী নুংশিরবা নুংগী ওইবা ফজরবা ৱারী শিংবুল কয়া অদুসু লীনখিবগা লোয়ননা থৌরম অসিগী মরুওইবা ৱাফমশিং থম্নখি হায়রি।

## ষ্টেক হোল্ডরশিংগা ৱারী শানবা হৌবীরো : সী পি আই-এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা ৱারী শানরিবা অসিগী সেট্টলমেন্টকী তাঞ্জা অসিদা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা ৱারী শানবা হৌবীরো হায়না সী পি আই-এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে ঐচ শান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পিছ টোক্কী ৱারোইশিন অমা পুরক্কদৌরে হায়বা ৱাফম লাক্লি। মসিদা মণিপুর, অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামদা তংদু-লৈতাদবা চিংনবা কয়া পোকহল্লে। মণিপুরগী ওইনসু ষ্টেট অসিগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমদি পোলিটিকেল ইন্টিগ্রিটিসু ঙাক্লবা খোঙজংশিং চঙশিল্লিবনি। ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন অমা দিল্লিদা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতা মেমোরেন্দম পীশিনবসু লৈখ্রে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা অসাম, মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেক হোল্ডরশিংগা কন্সল্টেসন তৌগনি হায়না খঙহল্লকপা লৈখিবনি। ষ্টেক হোল্ডরশিং ইনভাইট তৌদুনা ৱারী শানবা হৌবীরো। মণিপুর, অসাম অমদি য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী ষ্টেক হোল্ডরশিংগা কন্সল্টেসন তৌবা চঙই।

মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্না হিংমিন্নরি। ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা ফুরুপশিংদা শোকহনবা য়ারোই। মণিপুরদগী চৎলুবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন টিমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতসু মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখ্রবনি। ষ্টেক হোল্ডরশিংগা তান্নফম থোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পিছ টোক্কী ৱারোইশিনগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা অশেংবদু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই : এম পি দি এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): পিছ টোক্কী ৱারোইশিনগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা অশেংবা অদু খঙহনফম থোকই হায়না মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ) কী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীদিয়াগী রিপোর্ট কয়াদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা এন এস সী এন-আই এমগা ৱারী শানবা লোইদুনা য়ানবা পুরকখ্রে হায়রি। নাকল অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা অমুক ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা ৱারী শানখিগনি হায়রি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি কায়রোই। কায়নবা হোৎনরক্লবদি মাঙ থানা শিবিগে হায়রি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনসু ষ্টেক হোল্ডরশিং তানরক্কনি থাজে হায়রি। এন এস সী এন-আই এমগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ মুইভানা ৱারী শানবগী অফবা ফল লাক্লে হায়দুনা নাগা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা নাগাশিংগী নুংঙাইবা নুমীৎ ওইরগনি হায়না ফোঙদোকপা রিপোর্ট কয়াসু মীদিয়াদা ইনরি। হায়রিবা ময়াম অসিদা করম্বনা অচুম্বনো, করম্বনা অরানবনো হায়বদু ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামদা অশেংবা ৱাফম খঙহনফম থোকই।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেটসিগী মীয়াম্না ঈংনা লৈনবা আপিল তৌরি হায়নসু ইনরি। ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর উননবা হোৎনবদা উনবা ফংলকখিদবা অসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগা য়ানবা পুরকখ্রে হায়রিবা ৱাফম অসি চুম্লম্বা তাই। করি করিদা য়ানখি হায়বদুদি লৈঙাক অমগী রাইট মনুংদা ওইরম্বসু য়াই।

ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা শিল্লোং একোর্দ সাইন তৌনখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখি। পিছ টোক্কী ফাইনেল ষ্টেজ অমা লাক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। হৌখিবা চহী ২২ রোমসিদা মণিপুরদা চীফ মিনিষ্টর কয়া হৌখ্রে। কুমজা ২০১৭দগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক ষ্টেট অসিদা লৈরি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা করি ফিরেপ লৌরকপা য়াই, মণিপুর লৈঙাক্লা করি তৌবা তাবগে হায়বসি য়াম্না মরুওই। মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্তুনা থম্নবা করম্বা থৌশিল থৌরাং পায়খৎকদগে হায়বসি হৌখিবা চহী ২২ রোম অসিদা খন্দ্রিবা করিগীনো। মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটিগীদমক কথোকপীরো। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা থৌশিল থৌরাং লৌখৎলু। থৱায় কৎথোকপগী মহুৎতা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্তুনা থম্নবা থৌশিল থৌরাং লৌখৎনবা থবক পায়খৎপীয়ু। সোসল, পোলিটিকেল অসিনচিংবা কয়া য়েংগদবনি।

মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা হায়বসি মরুওই। পিছ একোর্দ, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা মণিপুরদা করি শোকপা য়াবগে অমদি করম্না শোকহল্লোইদগে হায়বগী থৌশিল থৌরাং হৌখিবা চহী কয়া অসিদা পায়খৎখিদবগী ফল ফংলোইদবগী মরম লৈব্রা। টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা হায়বসি লৈঙাক্কী খ্বাইদগী মরুওইবনি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়রগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা লৈরিবনি।

নবেম্বর ১৫ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ফাইনেল এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনবদা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ য়াওনা নাগাশিংগী কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না রিটন কনষ্টিট্যুসন অমা লৈরবা য়াই হায়বা ৱাফমসু নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপকী কো-কনভিনরনা ফোঙদোকখি হায়না রিপোর্ট তৌনবসু য়াওরি। মণিপুর লৈঙাকপু লুচিংলিবশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা দিল্লি চৎলুবা লৈখ্রে। মণিপুর মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবীয়ু। লৈঙাক্লা মীৎ-না শিংনা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মনিটেক্সকী মাঙওইননা সোসল সর্ভিস পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সকো, মনিটেক্স ২০১৯ গী মাঙওইননা ঙসি নাওরেমথোংদগী লম্বোইখোংনাংখোং ফাওবা সোসল সর্ভিস পাঙথোকখ্রে।

কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা সোসল সর্ভিস অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, এন প্রবিন, হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী দিরেক্টর লমলি কামৈসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, হেন্দলুম হায়বসিসু হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা অমা ওইরি। পোলিটিসিয়ন খক্তনা লমদম অসি অওনবা পুরকপা ঙম্লোই। খুন্নাই অসি চাউখৎহনসি হায়রবদি ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবা চঙই। লূ-নানবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। নবেম্বর ৫ দগী ১৪ ফাওবা লম্বোই খোংনোংখোংদা লৈবা ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা মনিটেক্স ২০১৯ পাঙথোক্কনি। মসিগা মরী লৈননা সোসল সর্ভিস অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। সোসল সর্ভিস অদুদা ফিশাবীশিং, ওন্ট্রপ্রেন্যুর, ফেসন দিজাইনর অমদি এন জি ও কয়াগী মীহুৎ য়াওনা ভলন্টিয়র ৩০০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

## ‘শোকহল্লোইদবা মওংদা চথবীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চথুরিবা অসিগী প্রোসেসশিং অসি অতোপ্পশিংদা শোকহল্লোইদবা মওংদা চথবীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুরগী কনভিনর অমদি মেম্বরশিংনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পিছ টোক্কী দিভলপমেন্ট প্রোসেস চথুরকপদা দু নো হার্ম কন্সেপ্টতা অতোপ্পশিংদা শোকহল্লোইদবা মওংদা চথবীয়ু। পিছ টোক অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা কয়া লৈরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সিভিলিয়নশিং প্রোটেক্সন পীবীয়ু। পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লমদম অসিদা পিছ এন্দ হার্মোনি মেন্টেন তৌদুনা লৈনবা মীৎয়েং চঙমিন্নসি। তোকঙানচিংবা শন্দোকপগী থবক তৌগুমসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগীদমক চপ চানা লেপ্লি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগীদমক লৈঙাক্লসু চপ চানা লেপ্লি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা বেদমিন্টন কোর্ট অমদি লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় বেদমিন্টন এসোসিএসনগী ওফিস শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় বেদমিন্টন এসোসিএসন অমদি লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, মীয়াম্মসু মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক লেপ্তুনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু ঙমখৈগীদমক চপ চানা লেপ্লি।

কম্ম্যুনিটি হোল কয়াদা বেদমিন্টন কোর্ট শেমদুনা অমদি ইন্দোরদা শান্নবা য়াবা মশান্না কয়াশিং শান্নদুনা হকচাং ফনা থম্নবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লি। ঙসিসু লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা বেদমিন্টন কোর্ট শেমদুনা হাংদোকপনি। অফবা থবক তৌরকপদা তরাম্না ওকপা তাই। মসিদা ভোটকী ৱাফম লৈতে। অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা খুন্নাইগীদমক ফনবা হোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎপা তঙাইফদে। চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা হেন্না মপুং ফাননবা হোৎনগদবনি। খুন্নাইগী ওইনা ফগদবা থবকশিংদদি অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা চঙই হায়খি।


APOLLO TUTORIAL CENTRE

Admission Open For

XII-Sc CONDENSE REVISION COURSE HSE(COHSEM & CBSE) 2020

SUBJECT : ENGLISH+PHY+CHEM+BIO+MATHS

LAST DATE OF FORM SUBMISSION 12TH NOV. 2019

CLASS STARTS 18TH NOV. 2019

OFFER

- HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)
- 20 % FEE CONCESSION TO FIRST 20 STUDENTS

FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)

HL-B/5743/15/10-14nov



Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for

CLASS -XII Sc. (COHSEM) 4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)

& CLASS -X(BOSEM) 5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)

HSE Result 2019

19th POSITION HSE 2019

FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM) 9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)

HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE

13th POSITION HSLC 2019 · 17th POSITION HSLC 2019 · 23rd POSITION HSLC 2019 · 24th POSITION HSLC 2019



Rakesh Ningthoujam · Nongmaithem Zeno · Jessica Wahengbam · Kahajam Jaya Devi · Rushely Laishram

Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.

Special features :
- Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
- We provide printed probable questions and answers.
- Hostel/Boarding for Boys & Girls.
- Van Services

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol    Contact : 8413855751



ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM)   EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5687/24/9-23/10